# ষন্থি ষণয়ুংনা পীরিবা কান্নবশিং

**- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -**

ষন্থি-ষণয়ুংশিংসি থায়নদগী হৌনা পাম্না শীজিন্নরক্লি। ষন্থি-ষণয়ুংশিংসি হার ওইনা শীজিন্নবগী মথক্তা চাক-ঈশিং থোংনবা ফাওবা শীজিন্নরম্মী। রিপোর্টকী মতুং ইন্না ষন্থি-ষণয়ুংসি অহুম থোকপগী অনীদি মৈগী মহুৎ শিন্দুনা চাক-ঈশিং থোংনৈ অদুগা অহুম থোকপগী অমনা হার ওইনা শীজিন্নরি। হৌজিক্কী মতমদদি ওর্গানিক ফার্মিং লোমদা মায় ওনশিন্নবনিনা ষন্থি-ষণয়ুংশিংসি চঙদবা য়াদ্রবা অমা ওইরি। মসিদসু নত্তনা ওর্গানিক্কী ওইনা শা-ষণ লোয়বসিসু য়াম্না মরু ওইবা অমা ওইরি। শা-ষণশিং ওর্গানিক ওইনা লোয়বা তারগদি মখোয়দা পীজগদৌরিবা শজিক অমদি মফোনগী শরুক খুদিংমক ওর্গানিক ওইবা তাবনি। মসি পুথোক্লবা হোৎনবদা ওর্গানিক্কী হার অমদি ওর্গানিক পেষ্টিসাইদ শীজিন্নবা তাবনি। পোৎ চৈ থাবা মতমদা নাইট্রোজেন ফোসফরস অমদি পোটাসিয়মগী চাং অমদা থম্বা হায়বসি অরায়বদি নত্তে। মরম অসিনা শা-ষণগী অরেম-অপা ময়ামশিং অসি শীজিন্নদুনা পথহন্দুনা নৎত্রগা তিন্থ্রোক য়োক্তুনা অফবা মখলগী হার পুথোক্তুনা হায়রিবা এন পি কেগী চাংসি মান্নবা থম্বা য়াই।

মালেমগী ওইনা ইন্দিয়ানা ষণ অমদি ইরোইগী মশীং খ্বাইদগী য়াম্মী। মখোয়না চহীদা পুথোরক্লিবা ষন্থিসি ১০৩২ এম এম টিনি। মসিনা হার ওইনা অমদি মৈ ওইনা শীজিন্নৈ। অচৌবা ষণবী অমনা নোংমদা কেজি ৩০-৪০ ফাওবা ষন্থি পুথোক্লি।

টেবল ১- চাংচৎতা নোংমদা পুথোকপা শা অমগী মথি-ময়ুংশিং

| শা মখল | মথিগী চাং (কেজি) | |
|---|---|---|
| | রেঞ্জ | চাংচৎ |
| শগোল | ৯-১৮ | ১৩.৫০ |
| ষণ | ২৮-৩০ | ২৪ |
| ইরোই | ২৫-৪০ | ৩২.৫০ |
| হামেং অমদি য়াও | ২-১৫ | ১.২৫ |
| ওক | ৩-৫ | ৪.০০ |
| য়েন (১০০) | ২.৫-৩.৫ | ৩.০ |

শা-ষণদগীসু গ্রীন হাওস গ্যাস হায়বদি মীথেন, কারবোন দাইওক্সাইদ, নাইট্রেট অসি পুথোরক্লি। কুমজা ২০০৪দা ইন্দিয়াদা মীথেল পুথোকপগী চাংসি ২৯৬ এম টিনি। মসিগী মনুংদা চাদা ৬৪না শা-ষণদগীনি, চাদা ৩০না ফৌদগী অমদি চাদা ৩না মথী-ময়ুংদগীনি। কুমজা ২০০৪দা গ্রীন হাওস গ্যাস পুথোকপগী চাংসি ১২২৪ এম টিনি। মসিদা কার্বোন দাইওক্সাইদনা চাদা ৬৪নি। মসিনা খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকই। মসিগী মতুংদা মীথেন চাদা ৩১ অমদি নাইত্রস ওক্সাইদনা চাদা ৪নি। কুমজা ২০০৪দা শা-ষণগী হকচাং মনুংদগী থোরক্লিবা মীথেনগী চাংসি ২৮৮ এম টিনি। মসিগী মনুংদা চাদা ষণনা ৪০, ইরোইনা ১৮, য়াওনা ১১, হামেংনা ২৫ অমদি ওক্না ৩নি।

মমাঙৈদেদি ষন্থি-ষণয়ুং অমদি শা-ষণগী অরেম অপাশিংগী পোৎ চৈ থারিবা মফমদুদা লৈবাক লৈহাও ফনবা দাইরেক্ট হাপ্পীরম্মী। অদুবু অনৌবা মওংদা হায়রিবা ষন্থি-ষণয়ুংশিংসিনা বাইও ফর্টিলাইজর, ভর্মি কম্পোষ্ট কয়া অমা পুথোকপসু য়াই।

ইচম চম্না শা-ষণগী অরেম অপাবশিংদগী কম্পোষ্ট শেন্নগদি থা ৬ মুক চঙই। মসিদা তিন্থ্রোক হাপ্লগা শেন্নগদি নুমিৎ ৬০-৭৫ ফাওবা হন্থহনবা য়াই। মসিদা ট্রেঞ্চ শেন্নগা তিন্থ্রোক কেজি অমদা ষন্থি কুইন্টল ১০ হাপ্লগা শেম্বা য়াই। তিন্থ্রোক্তগী শেম্বা হারনা ফার্ম য়ার্দ মেন্যুরদগী এন পি কে য়াওবগী চাং শরুক ৩-৪ ফাওবা হেল্লি। তিন্থ্রোক্কী হারদা এজোল্লা অমদি নাইট্রোজেন ফোসফরস ফাবা ঙম্বা বেক্টেরিয়া হাপ্পুনা বাইও ফর্টিলাইজর শেম্বসু য়াই। ষন্থি-ষণয়ুং শীজিন্নদুনা ফার্ম য়ার্ড মেন্যুর পুথোক্লিবসিদা নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমদি পোটাসিয়মগী চাংসি ০.৫%, ০.৬%, ০.০২০% নি অদুগা তিন্থ্রোক য়াওরগা শেম্বা হারদদি ১.৫%, ২%, ১% নি। ঐখোয়না ষন্থি-ষণয়ুংশিং অসি নীংথিনা শীজিন্নরগদি ঐখোয়না ক্বালিটি লৈবা হার শেম্বা ঙমগনি। ষন্থিনা পীরিবসি মখল কয়াগী মাইক্রো ন্যুত্রিএন্ট ময়াম অমা য়াওবগী মথক্তা হ্যুমস, হ্যুমিক এসিদ, অলমিক এসিদ চাং ৱাংনা য়াওহন্দুনা লৈপাক লৈহাও ফহনবদা নত্তনা ঈশিং কুংনা লৈবা ঙমহল্লি।

টেবল -২ হার মখলদা য়াওবা এন পি কেগী চাংশিং

| হার মখল | এন (নাইট্রোজেন) | পি (ফোসফরস) | কে (পোটাসিয়ম) |
|---|---|---|---|
| এফ ৱাই এম | ০.৫ | ০.৫ | ০.২৫ |
| তিন্থ্রোক্কী হার | ২.৫ | ২.০ | ১.০ |
| বাইও ফর্টিলাইজর | ৩.০ | ১.০ | ১.০ |

**ষন্থিগী কান্নবশিং ঃ**

- ষন্থিদা এন্টিসেপটিক্কী মচল য়াওবনা শনগোন্দা ষন্থিগা থিৎলগা চাইথোকপনা লায়না থোকহনবা য়াবা তীলশিং হাৎতোকপা ঙমহল্লি।
- উনশাদা মরীক মরীক চোংথোকপা নৎত্রগা অপোম্বা লৈরগদি নীমগী মনাসি ফজনা শুগাইবিরগা ষন্থিগা তোৎনরগা উনশাদা তৈবীরগদি য়াম্না থুনা হঞ্জিনহল্লি।
- ষন্থি অকংবা মৈ থাবিরগদি কাং ইনবা ফৈ।
- ষন্থি মৈ থাখ্রবা মতুং উৎশিংদুসু অমুক কোল-লীক ফেংবা য়াই।
- তীল কাং হাৎনবগীদমক্তা শেম্বা পোৎলমশিংদা ষন্থি মচল অমা ওইনা হাপ্পী।
- ষন্থিদা মীনরেল মখল ১৬ য়াওই । মসিদা লৈবাক লৈহাও হেন্না ফগৎহল্লি।
- ষন্থিদা মখল ১৬ কী মাইক্রো ওর্গানিজম য়াওই। মসিনা ফত্তবা বেক্টেরিয়া কয়া হাৎতোকপা ঙমহনবদা নত্তনা লৈপাক লৈহাও ফনা থম্বা ঙম্মী।
- পোৎ থাদ্রিঙৈদা লৈপাক্তা ষন্থিনা য়োমদুনা থম্লগদি শাথিবা লায়না থোকহনবা পেষ্টতগী কনবা ঙম্মী।

**ষণয়ুংগী কান্নবশিং ঃ**

ষণয়ুংশিংসি হীদাক শেম্বদসু শীজিন্নরি। ষণয়ুংদা য়াওরিবা মীনরেল মখলশিংসিনা মীওইবদা শা-ঙাশিং অমদি পাম্বীশিংদা কান্নবা কয়া পীরি। নোংমদা ষণ অমনা লিটর ৬-১৫ ফাওবগী ষণয়ুং পুথোকই। করিগুম্বা তীল কাংনা চীকপা তারগসু ষণয়ুং তৈবীরগদি নাবগী চাং য়াম্না হন্থে। মসিদা ষণয়ুং লিটর ১৫ অমদি নীম মনা কেজি ১ লৌবিরগা নুংশিৎ চঙহন্দনা পাত্র অমদা নুমিৎ ১৫ নি থম্বীগনি। মসিগী মতুংদা চনম গ্রাম ১৫ হাপ্পীরগা তঙ্খায় ফাওবা হন্থহন্নবা মৈদা লোন্থোকপীগনি। হায়রিবা মহীসিগী লিটর অমদা ঈশিং লিটর ১০০ হাপ্পীরগা মহী লাংহল্লবা তুংদা তীল কাং হাৎনবা হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াই।

অফবা মহৈ মরোং, হকচাংদা কান্নবা কয়া অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা ষন্থি-ষণয়ুংশিংসি য়াম্না মরু ওই। মরম অসিনা ষণ লোয়বীদুনা ষন্থি-ষণয়ুংগী কান্নবা কয়া অসি লৌদুনা ওর্গানিক ফার্মিং লোমদা মায় ওনশিনবদা দরকার য়াম্না লৈ। ●

# ঙাদা তোয়না নাগনবা লায়নাশিং অমদি ঙাকথোক্লবা পান্বে

**ডাঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ**

অৱাং নোংপোক ইন্দিয়া অসি ষ্টেট নিপান্না শাবা লমদমনি। ষ্টেটশিং অসি মিং ওইনা পল্লবদা অরুনাচল প্রদেশ, আসাম, মণিপুর, মেঘালয়, মিজোরাম, নাগালেন্দ, সিক্কিম অমদি ত্রিপুরানি। মহৌশা লাইরেম্বীনা লমদম অসিবু মখল মখা কয়াগী ঙা অমদি ঈশিংগী তুংনফম ওইহল্লি। লমদম অসিগী মীশিংগী চাদা মরিফুতরাদি ঙা চায়। মরম অসিনা ঙাগী পোৎথোক অমদি দিমান্দ অনীগী মরক্তা ঙাসিসু অচৌবা অৱাৎপা লৈরি। চহী খুদিংগী অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী লমদমসিদগী ০.২১৪ মিলিয়ন টোনগী চাংদা ঙাগী পোৎথোক পুথোকই। মসিদগী চাদা ৫০ দি ঙায়োক ফার্মশিংদগী পুথোকই। মসি ওইরবসু, ঙসিগী মতম অসিদদি ঙাগী লায়না হায়বদি শন্দোক্লনবা নৎত্রগা লৌনগনবা অমদি লৌনগন্দবা লায়নাশিং অসিনা ঙাগী পোৎথোক পুথোকপদা চাং হন্থহননবা মরম অমা ওইরি। মরম অদুনা ঙা য়োক্লিবা মীওইশিংগী শেন্থোক লন্বীদা অচৌবা অকায়বা পীরি।

ঙায়োক পুখ্রিশিংদা লায়না থোকহন্দনা থমগে হায়রবদি ঙাশিংবু মশা ফনা থম্বা মথৌ তাই। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা ঙাদা তোয়না নাগনবা লায়নাশিং অমদি মখোয়দগী ঙাকথোক্লবা উপায় অমসুং লায়েং মখাদা পীজরি।

***১) মিৎকী লায়না ঃ*** ঙাশিংগী মমিৎ, মিৎ নহা ঙাংলক্কনি অমদি ঙৌদোং ওইরক্কনি। তুংদা খুদোংথিনিঙাই ওই। শিবা ফাওবা য়াওই। হায়রিবা লায়না অসি মরুওইনা বেক্টেরিয়ানা নাহনবনি। মরম অদুনা য়াম্না শন্দোক্লল্লি। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি পুখ্রিশিং অদু পোটাসিয়ম পর মেনগনেট চাইথোকপীগনি। চায়গদবা চাংনা পরি অমা চাউবা অদুগা মিটর অমা লুবা মফমদা গ্রাম চাম্মা চাইবীগনি। মথংদা শুনু কিলো ৩০ চাইবিগনি।

***২) কলমলরিস/কতন ৰুল লায়না ঃ*** হায়রিবা লায়না অসিসু বেক্টেরিয়ানা থোকহনবনি। লায়না অসিনা নারবা ঙাশিংদা ঙৌরি ঙৌরি তৌবা দাগ থেংনগনি। ঙাগী গিলদা থমচেৎমানবীগুম্বা অঙৌবা পকপা থেংনগনি। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি য়োক্লিবা ঙাগী মশীং হন্থহনবা, শুনু কিলো ২০০ অমদি থুম কিলো ১০০ পরি অমা চাউবা অদুগা মিটর অমা লুবা পুখ্রিদা চাইথোক্কনি। অনাবা ঙাশিং অদু ফাদোক্তুনা মৈ থাদুনা নৎত্রগা মফম চানা মাঙহনখিগনি।

***৩) দেকটাইলোগাইরোসিস অমসুং গাইরোদেকটাইলোসিসঃ***

লায়না অসিসু পেরাসাইট মখল অমনা থোকহনবনি। লায়না অসিনা নারবা ঙাশিংদি পোথাফম খঙদবগী মওং থেংনগনি। ঙাগী মচু মুশিল্লক্কনি। ঈশিংদা লৈবা অকনবা পাম্বী নৎত্রগা উগুম্বদা তকপা থেংনগনি অমদি ঈশিংগী ঈমাইদা চাবা থেংনগনি। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি ফোরমেলি লিটর অনী মখায় পরি অমা চাউবা পুখ্রিদা চাইবীগনি নৎত্রগা পোটাসিয়ম পর মেনগনেট কিলো অমা পরি অমা চাউবা অদুগা মিটর অমা লুবা পুখ্রিদা চাইবীগনি।

***৪) ব্রেক স্পোট/দিপ্লোসতোমিয়সিস ঃ*** লায়না অসিসু পেরাসাইট মখল অমনা থোকহনবনি। লায়না অসিনা নারবা ঙাশিংদা অমুবা মতুম মচা মচা পক্কনি অমদি মমিৎতা ঙৌদোং পকপগুম্বা থেংনগনি। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি ঙা য়োক্লিবা পুখ্রিদুদগী থরোই নৎত্রগা কোংগ্রেং পূম্নমক লৌথোক্কদবনি।

***৫) অরগুলোসিস ঃ*** লায়না অসি অরগুলস হায়রিবা পেরাসাইট অসিনা থোকহনবনি। লায়না অসিনা নারবদি ঙাশিংগী মশাদা ঈ থোকপগুম্বা দাগফম মচা মচা থেংনগনি অমদি পুখ্রিগী লৈরাইদা চঙশিন্দুনা তকপা থেংনগনি। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি লা/উপাক/ৱা থাদদুনা পেরাসাইটশিং অদু নপহল্লগা লৌথোক্কনি নৎত্রগা সাইপরমেথাইনো মিলি: ১০০ পরি অমা চাউবা অদুগা মিটর অমা লুবা পুখ্রিদা চাইগনি নৎত্রগনা পোটাসিয়ম পরমেনগনেট কিলো মরি পরি অমা চাউবা অমদি মিটর অমা লুবা পুখ্রিদা চাইগনি।

***৬) লারনিয়সিস ঃ*** হায়রিবা লায়না অসিসু লারনিয়া হায়বা পেরাসাইট মখল অমনা থোকহনবনি। লায়না অসিগী লায়ওং অসি মথক্তা পনখ্রিবা অরগুলোসিসকা য়াম্না মান্নৈ অমদি লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগী থৌওংসু চপ মান্নৈ।

***৭) ইপিজুটিক অলসরেটিভ সিন্ড্রোম ঃ*** লায়না অসি কোকফাই মখল অমা অমদি মসিগা লোয়ননা অতোপ্পা মহিকশিংগা পুল্লগা থোকহনবনি। লায়না মখল অসি ঈশিংনা ঈংশিল্লকপা অমদি ঈশিং ফৎলক্তবা মতমদা য়াম্না থোক্কল্লি অমদি য়াম্না শন্দোক্কল্লি।

লায়না অসিনা নারবদি ঙাগী মশাদা চাফৎপগুম্বা থেংনগনি অদুবু নাইগুম্বদি থেংনরোই। লায়না অসিনা খরা কন্না নারবদি ঙাগী মশাগী শরুক অমা য়াওদবসু থেংনগনি। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি সিফেক্স লিটর অমা পরি অমা পাকপা অদুগা মিটর অমা লুবা পুখ্রিদা চাইথোক্কনি।

***(৮) ন্যুত্রিসনল দিসওর্দর ঃ*** ঙাগী মচিঞ্জাক পীজবা মতমদা অৱাৎপা কয়া লৈবনা মরম ওইদুনা লায়না কয়া থোকহল্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা ঙাগী মকোক চাওথোক্লগা মতোংগী শরুক য়াওদবা, মমিৎ তাঙলকপা, ঙাগী ময়াংলেন শরু কোল্লকপা অমদি মমিৎতা ঙৌদোং লৈরকপা অসিনচিংবনি। হায়রিবা লায়নাশিং অসি ভিটামিন অমদি মিনরেলশিং ৱাংলকপা অমদি মহু চেনবা পোংশক চারুবদগী থোকহল্লকপনি। হায়রিবা লায়নাশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি মচল শুবা মচিঞ্জাক পীজবীবা অসিনি। করিগুম্বা চেঙকুপ অমদি থাউথি পীজবীরবদি কিলো চাম্মগী মচিঞ্জাক শেন্বীবা মতমদা ভিটামিন অমদি মিনরেলগী মিকচর কিলো অমা য়ানবীরগা পীজবীবা কান্নগনি।

***(৯) অকোয়বগী ফীভম ফৎচিল্লক্তবদগী থোকহল্লকপা অকায়বশিং ঃ*** ওক্সিজেন ৱাৎলকপদগী ঙা ময়া কাদুনা লৈবা, কার্বোনদাইওক্সাইট হেনবদগী ঙাগী মশাদু নান-নান লাউবা মনাং য়াম্না থোক্লকপা নাইট্রোজেন অমসুং ওক্সিজেনগী চাং হেনমনবদগী গ্যাস ববল লায়না থোকহনবা, হাইড্রোজেন সলফাইদকী চাং হেনবদগী পুখ্রিগী মখা থংবা শরুক্তা চাবা ঙাশিং শিরকপা অসিনচিংবা অসি ঙানা লৈরিবা অকোয়বগী ফীভম ফৎচিল্লক্তবদগী থোকহল্লকপনি। হায়রিবা থৌওংশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি ঈশিংগী ফীভম ফনা থম্বা অমদি সাইন্টিফিক ফিস ফার্মিংগী কাঙলোনশিং কায়দনা পাঙথোকপীগদবনি।

লোইশিল্লকপদা ময়ামদা ৱাহৈ খরদং থমজগে মদুদি ত্রিটমেন্ট হায়বসি করিগুম্বা প্রোব্লেম অমবু ফহননবগী অরোইবা খোঙথাংনি। মরম অদুনা প্রোব্লেম থোকত্রিঙৈগী মাঙওইননা প্রোব্লেম থোক্লক্তনবা ওইনা হোৎনমিন্নরসি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

# কোলকটা, দেল্লী, ইম্ফালগী পান্থোইবী ইম্পোরিয়মশিংদা চাক্কৌবা নংননবা অমা লৈবদা অমা হাপ্লনি : এস অচৌ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস): কোলকটাদা লৈবা পান্থোইবী ইম্পোরিয়মগী ফিভম য়েংশিনবগা লোয়ননা, কোলকটা, দেল্লীদা লৈরিবা পান্থোইবী ইম্পোরিয়ম অমসুং ইম্ফালগী য়াওনা লাক্লিবা নিঙোল চাক্কৌবা নংননবা অমা লৈবদা অমা হাপ্পা অথুবদা লাউথোক্লগনি হায়না মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী চেয়রমেননা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক কোলকটাদা লৈরিবা এস অচৌগা পাউ ফাওনবদা মখা তারদুনা হায়খিবদা, এফ-২০ দাক্সিনাপান, ধাকুরিয়া, কোলকটা-৬৮দা লৈরিবা পান্থোইবী মণিপুর ইম্পোরিয়ম, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর ইন্টরপ্রাইস অসিদা য়েংশিনবদা ঐখোয়গী হেন্দলুমগী ওইবা পোথোকশিং অসি উহন্দনা মখোয়গী পোথোক সারিনচিংবা কয়া থেন্দুনা লৈরম্বনি। অদুবু মদু ঐখোয়গী ওইবা পোথোকশিংখক্তা য়োনগদবনি হায়দুনা লৌথোকহল্লগা, নুপা অমসুং নুপীগী দম্মী থমদুনা মীয়ামদা উহনবনি। দম্মী অসিদা নুপীগী দম্মী অদুদা হেন্দলুমগী ওইবা সারি শেৎহল্লি অদুগা নুপাগী দম্মী অদুদনা ঐখোয়গী মণিপুরগী ট্রেদিসনদা শেৎলগা মপান দা থমদুনা মীয়ামদা উহনবনি। মসিনা মণিপুরগী হেন্দলুমগী পোথোক্লি হায়বসি খঙহনবনি।

মফম অদুদা লৈরিবা মীয়ামগসু ফম্মিন্নদুনা ৱাখল তামিন্নরে। মসিদি মণিপুরগী হেন্দলুমগী পোথোকখক্তা য়োনগদবনি হায়বসি মখোয়সু য়ানরে। মসিদা মখোয়না ঐখোয়দা হায়রকপা দিমান্দ তৌরকপসি মোম্পাক ফিদক্কী সেদ, মোম্পাক ফিদক মসিসু লংজম ঙাক্তনি। ইন্নফি মৈতৈগী লংজমনা শাবা, মোইরাং ফি, ময়েক নাইবা মসিসু কোটন লংজম্লি। কোটনগী সারি ফুল লৈরোং খরা য়াওবা অমসুং লৈরোং থুংনা চাইবা সারি ফুলনি। চীংগী শামতুফি, খুদৈ মতেক ফদি ওইবা য়াবা, লেংয়ান ফি, লৈরুমনচিংবনি। ৱান প্লাইগী ফনেক, ফনেক অসিনা সলৱার তুননবনি, ফনেক অনীনা সলৱার অমা তুবা ওকই। ফনেক্কী মপান্দুনা, মপান তাহল্লগা পান্থোমদা হাপ্পগা তুবসু য়াওই। হায়রিবশিং অসি পীবিরক্লবা হায়রকই, মসিসু অথুবদা পীরগনি।

কোভিদনা মরম ওইরগা য়োনবা য়াদনা লৈখিবা ফিশিং অদু দেল্লীদা লৈরিবা পান্থোইবী মণিপুর ইম্পোরিয়ম অমসুং কোলকটাদা লৈরিবা অনীসিগী য়োন্নবগীদমক্তা অমা লৈবদা অমা হাপ্পা (বাই ৱান গেট ৱান)দা য়োন্নবা অথুবদা লাউথোরক্লগনি। মসি নিঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা পীগদবা খুদোংচাবনি। মসি মণিপুরদসু পীননবা লাউথোরক্লগনি। নিঙোল চাক্কৌবগী মাঙওইননা য়োনগদবনি হায়না মখা তাখি।

কোলকটাগী য়েংশিন খোঙচৎ অসিদা পান্থোইবী মণিপুর ইম্পোরিয়মগী মেনেজর টিঐচ রবিগা লোয়ননা য়েংশিন্দুনা, করি করি কোলকটাগী মীয়াম্না পাম্বা লৈবগে হায়বদু খঙদোকপগা লোয়ননা মণিপুরগী হেন্দলুমগী পোথোকপু হেন্না য়োন্ননবগীদমক্তা হোৎনবনি হায়খি।

# ‘মণিপুরগী লাইরিক হৈবা খূদিংমক মীতৈ ময়েক তমগদবনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস): মীতৈ ময়েক রিসর্চ সেন্টর (এম এম আর সী)গী থৌমীশিংবু মণিপুর লেংগ্বেজ দিপার্টমেন্ট ওইনা এপ্রুভ তৌগদবনি, কম্পিটেন্ট ওথোরিটিগী নোলেজ য়াওদবা থবক চৎনবা য়ারোই, মণিপুর লৈঙাক্কী কন্সর্ন দিপার্টমেন্ট এম এম আর সী নত্তবা অতৈ লৈতে। মণিপুরগী লাইরিক হৈবা খূদিংমক এদগী জেদ ফাওবা মীতৈ ময়েক তমগদবনি অমসুং ওথোরিটিনা পীবা লাইরিক হৈরো হায়বগী শকখঙচে সর্টিফিকেট পায়গদবনি হায়না এম এম আর সী মালোম (১)গী প্রসিদেন্ট তোংব্রম মহেন্দ্র মীতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা তোংব্রম মহেন্দ্রনা মখা তানা হায়, এম এম আর সীগী থবক থৌরম খূদিংমক্তা লৈঙাক অমসুং মেছিনরিশিংগা খূৎ থিংজিনবা তৌবীগনু। ময়েক ২৭ লৈঙাক্লা এপ্রুভ তৌরবনিনা এম এম আর সী খূৎশম্লবা (১) নত্তব অতোপ্পা লুপ অমত্তগা খূৎশম্নবা য়ারোই। চুম্না লাইরিক তম্বীদবদগী বি এ, এম এ ফাওবা মীতৈ ময়েক চৎনরবসু চৎনদবগা চপ মান্নরে হায়বদি লান্না তমশিল্লে হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, লৈঙাক্লা লুপ কয়া শেমদুনা এম এম আর সী মালোম (১)বু দোমিনেট তৌনবা হোৎনবসি লাল্লি, মখা তানা তৌবীগনু। এক্সপর্ট কম্মিটিগী ফাইন্দিং বূক অদুগী লামায় ৬ শুবদা এল কুলচন্দ্রনা ময়েক ২৭ পুখৎলকই হায়বা অদুগী মতুং ইন্না ময়েক ২৭না ইবা, মীতৈলোল হায়বসি এম এম আর সী মালোম (১)গী লমজিং মখাদা ময়েক ২৭ ‘দ ৮-শুবা সেদ্যুল’দা য়াওহনগদবনি অমদি করেন্সি নোটতা মীতৈ ময়েক্লা ইহনগদবনি।

ৱাজরক্লবা মীওইশিংবু এপোইন্টমেন্ট তৌবীগদবনি। চঙগদবা শেনফম খূদিংমক লৈঙাক্লা পীবিগদবনি। কুমজা ১৯৮০ গী মতুংদগী সরকারনা লুপ খরগা পূনশিন্দুনা চত্থরিবা থবকশিং অসি তৌফম থোকপা থবক অমত্তা নত্তে। মণিপুর লৈঙাক্লা এম এম আর সী মালোম (১)বু কম্পিটেন্ট ওথোরিটিনি হায়না মীওই ৭০০ লৈঙাক্লা রেকম্মেন্দ তৌখ্রবনি। মসিগী ৱাংমদা থবক পায়কৎলক্লবদি চৈরাক ফংলোই হায়নিংঙাই লৈতে।

লোন অসি মশাগী ময়েক্লা তৎন-থানবা য়াদে। মদুনা লমদমসিগী মীওইশিংনা মীতৈলোন ইনবা ময়েক থিজরম্মী। মখোয়গী মনুংদা এম এম আর সী মালোমসু অমা ওইরম্মী। নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা ময়েক মখল য়াম্না হৈবা মীওইশিংবু কলম য়াম্না হৈবা মীনি হায়না ইকায় খুম্নরম্মী।

মহেন্দ্রনা মখা তানা হায়, মণিপুরগী লৈমায়দা তোঙান তোঙানবা ময়েকশিংনা ইবা পুয়াগী লাইরিকশিং লৈরম্মী। লমদম অমা মশাগী লোন অমা, লোন অদুবু ইনবা ময়েক অমা লৈতবা য়াদবনি। অসিগুম্বা মচাকশিং ৱাৎলবদি কাঙলুপ অদু অরিবা মতমদগী হৌরকপা কাঙলুপ নত্তে হায়না লৌনৈ। এম এম আর সী মালোম (১) মীতৈ লোলনা মশাগী ওইবা খোন্থোকশিংবু মচেৎ মচেৎ কয়া থোক্লা থুগায়দুনা থিরগা মশাগী খোন্থোক ২৭ চঙই। খোন্থোকশিং অদুবু মহুৎ শিন্দুনা ইনবা ময়েক ২৭ চঙই। খোন্থোক ময়েকশিং অদুবু মপুং ফানা শম্নদুনা ইনবা লোল শুবা ময়েক ৭ চঙই হায়খি।

# কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ককী অকোয়বদা সাইকল রেল্লি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস): ৬৬শুবা ৱাইল্দলাইফ ৱীক, ২০২১গা মরী লৈননা মালেমগী মফম শীনবা থুংনা ফোরেষ্ট এন্দ লাইফলিহূদ সষ্টেনিং পীপল এন্দ প্লানেট হায়বা থীমদা চত্থরিবা ৱাইল্দলাইফ ৱীককী শরুক অমা ওইনা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ককী অকোয়বদা সাইকল রেল্লি অমা পাঙথোকখ্রে।

ইনভাইরনমেন্টেল সোসল রিফোর্মেসন এন্দ সঙাই প্রোটেক্সন ফোরমগা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) অমদি মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) পূন্না খূৎশম্নরগা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা খোর্দাকতগী কৈবুল লমজাও ফাওবগী সাইকল রেল্লি অদু এল দি এগী দিরেক্টর এল ভগতোন অমদি অমুকোগী প্রসিদেন্ট পিঐচ নন্দো লুৱাং অনীনা ফ্লেগওফ তৌদুনা লমথাখিবগা লোয়ননা মহৈরোয় ২০০ রোম্না শরুক য়াখি।

ঙসিগী ৱাইল্দলাইফ ৱীক সেলেব্রেসন থৌরম অদুদা পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী ইমা লুপকী এল মেমচৌবী; এম এস এফ ময়ায় লোয়শঙগী ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ইকোলোজি এফের্স সেক্রেটরি কেঐচ রবিকান্ত, ইনভাইরনমেন্ট সোসল রিফোর্মেসন এন্দ সঙাই প্রোটেক্সন ফোরমগী প্রসিদেন্ট টি বুধি; ৱাঙু বোরায়াংবি জিল্লা পরিষদ মেম্বর এম ব্রোজেন; ওল মণিপুর ৱুমেন’স ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট মিস ৱাই কুঞ্জরানি, কুম্বী কোজেলগী প্রিন্সিপাল কে, জুগেশ্বর, ঈথাই ৱাপোকপীদগী সোসল ৱর্কর সোইবম য়োনবনা মরু ওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# ‘খুঙ্গং চাওখৎতনা মণিপুর, ইন্দিয়া চাওখৎলোই’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস): মণিপুরগী লৈরিবা খুঙ্গং ২,৫৮২গী মফমশিং অসি মোদেল ভিলেজগী থাক্তা পুখৎতুনা চাওখৎপা ওইদ্রগদি মণিপুর, ইন্দিয়া চাওখৎপা ঙম্লোই হায়না মণিপুর পীপলস দেমোক্রেটিক ফ্রন্টকী সেক্রেটরি সাপম শামুঙৌনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা এস শামুঙৌনা মখা তারদুনা, মণিপুরগী লৈরিবা খুঙ্গংশিংদা ঙসি ফাওবদা মোদেল ভিলেজনি হায়বা অমত্তা লৈত্রি। এসেমব্লি সেগমেন্ট ৬০দা লৈরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি হায়রগদি খুঙ্গংদুগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অদুদা লৈরিবা মফমদুগী লম্বী-থোং মওং মরিল তানা লৈবা চঙই। অফবা থক্লবা ঈশিং মতিক চানা লৈহনগদবনি।

অফবা স্কুল মতিক চানা লৈগদবনি। চাথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনবীগদবনি, মশা মশাবু থবক পীজনবা লম্বীশিংদা মীয়ামগী ওইবা মখল মখলগী লম্বী থম্বা চঙই। থকশি-খাসি খঙবা মীয়াম ওইহন্নবা এসেমব্লিদুগী মীহুৎ ওইরিবা অদুগী থৌদাংনি। মসিদসু নত্তনা জিলা পরিষদকী ওইবা থৌদাংনি।

হান্না অপূনবা অন্ধ্র প্রদেশ ওইরিঙৈ টেলঙ্গনা রিজন মনুংদা লৈবা মোনকাপুর খুঙ্গং অসি চহী ২৫ রোমগী মমাঙদগী মোদেল ভিলেজ ওইখ্রে। অদুনা হৌজিক মীখলসু নকশিল্লক্লে, মীহুৎ ওইরক্লবা মতমদা খঙবা চঙই। চাওখৎ থৌরাংগীদমক্তা খুঙ্গংগী মীয়াম্নসু হোৎনবা চঙই। মীহুৎ থাগৎপা হায়বসি অরাইবা নত্তে। মীহুৎ অদুগী মখা পোন্না চাওখৎ থৌরাং পায়খৎপা হায়বসিদা লৈবা মরম্না অফবা মীহুৎ খনবা চঙই হায়খি।

Akoimart
Live Easy

A Brand Name of Regd. Firm
M/s. Akoi Services & Marketing Solutions,
Wangkhei Yonglan Leirak, P.O & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur -795005

As the organization requires more staffs for its further expansion, applications are invited from experienced and dedicated persons who can deliver their responsibilities to their services for the following posts. Candidates who require the job may apply as per terms of submission given here under.

| | Name of Post | No. of Post | Qualification & Age | Experience |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Business Development Manager (BDM) | 02 | MBA (Marketing) Eligible Age: 30 to 40 Years old. | Experienced only (Language in Hindi & English should be fluent along with Computer Knowledge.) |
| 2 | Business Development Executive (Sales & Operations) | 04 | MBA/ Graduate Eligible Age: 24 to 35 Years old. | Fresher/ Experienced in Sales & Marketing) (Language in Hindi & English should be fluent along with Computer Knowledge.) |
| 3 | Senior Accountant | 01 | MBA (Finance)/ M.Com/ B.Com Eligible Age: 24 to 35 Years old. | Experienced (Language in Hindi & English should be fluent along with Excellent Computer Knowledge.) |
| 4 | Accounts Assistant | 02 | M.Com/ B.Com Eligible Age: 24 to 35 Years old. | Fresher/ Experienced (Language in Hindi & English should be fluent along with Excellent Computer Knowledge.) |
| 5 | Customer Service Executive (CSE) | 04 | Class XII/Graduate Eligible Age: 24 to 35 Years. | Good Communication Skills in Manipuri, English & Hindi language. Proficiency in Typing Skills & MS Office |
| 6 | Driver (Light & Heavy) | 03 | Class X and Above Eligible Age: 23 to 40 Years. | Candidate should have valid smart Driving License for Light/Heavy Vehicles. |

Kindly Submit your updated CV on or before 14th October, 2021 at E-mail ID: akoimart24@gmail.com or call at 9366095791/8414990549.

*Salary will be fixed as per qualification, status and experience of the candidates.*

HL/P/300/10,11